# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, JANUARY 16, 2019 PAGE 7




*পুনেদা চথরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসকী জিমনাষ্টিক্স দিসিপ্লিনগী তোঙান–তোঙানবা ইভেন্টশিংদা মেডল ৫ লৌখ্রবা মহারাষ্ট্রগী অরিক দে*

*ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সিংগী নৌনা চীফ কোচ ওইনা খনখ্রবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী বোক্সিং দিসিপ্লিনদা অহানবা গোল্ড মেডল ফংখিবা ইন্দিয়াগী মোহম্মেদ আলি ওমার*



## বহারেননা ইন্দিয়াবু ১–০ দা মায়থিবা পীরম্বদগী এএফসি এসিয়ান কপ ফুটবোলদগী মপান থোকখ্রে



*মেটচ লোইরমদাইদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন হান্দরনা বহারেনগী শান্নরোই অমদা ফাওল তৌখিবা মতাং*

*সারজাহ, জনুৱারি ১৫ঃ*

যুএইনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা এএফসি এসিয়ান কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী অহুমশুবা অমদি অরোইবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়া বহারেনগী মখূত্তা পাঞ্জল ০–১ দা মায়থিহৌবদগী ইন্দিয়াগী টিম টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং বহারেননা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী বহারেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা বোল অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদা নৈদুনা লৈখি। বহারেনগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চনশিন্নবা কয়ারক হোৎনখ্রবসু ইন্দিয়াগী গোলকিপর গুরপ্রিট সিংহ সান্ধুনা মখোয়গী হোৎনজম অদু মাঙহন্দুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল ওইহন্দনা থমখি।

বহারেননা চথরকখিবা এটেক মরক্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা কাউন্টর এটেক কয়া তৌদুনা হোৎনরকখ্রবসু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হেক হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বহারেনগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক তৌদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। ইন্দিয়াগী এটেকশিং অদু বহারেনগী দিফেন্দরশিংনা অরেম্বা তাহনখি।

মেটচ অদু করিগুম্বা টিম অনীমক ড্রো চৎলবসু ইন্দিয়াগী টিম নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী খুদোংচাবা লৈখিবনি। মরম অদুনা মেটচ লোইশিল্লকদৌরবা মতম ফাওবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং দিফেন্সিপ ওইবা মওংদা শান্নরকখি।

মেটচ লোইগদবা মিনটতা অমত্তং ঙাইরবা মতমদা বহারেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন প্রোনে হান্দরনা মখোয়গী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা বহারেনগী শান্নরোই অমনা ফাওল তৌরুবদগী মেটচ অদু কন্দক্ত তৌখিবা রেফরিদা বহারেনগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি।

পাঞ্জল শোয়দনা ওইবগী খুদোংচাবা অদু বহারেনগী শান্নরোই জামাল রসিদনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু ১–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপকী অনীশুবা তাদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক যুএই অমদি থাইলেন্দ পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখি। করিগুম্বা মেটচ অসি যুএইনা মায় পাক্লম্বা তারবদি ইন্দিয়া নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী খুদোংচাবা লৈরম্বনি।

যুএই অমদি থাইলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ৭শুবা মিনটতা যুএইগী শান্নরোই আলি অহমেদ মাবখৌটনা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা থাইলেন্দগী থিটিপান পুৱানচাননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা ড্রো চৎখি।

## কেপ্টেন কোহলিগী সেঞ্চুরিনা মপুং ওইনা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখ্রে



*সেঞ্চুরি লৌদুনা মেটচ মায় পাকপদা চাওনা মতেং পাঙখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন কোহলিনা ফোর য়ৈবা*

*এদিলেদ, জনুৱারি ১৫ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি এদিলেদতা শান্নখিবা অনীশুবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগী সেঞ্চুরিনা মপুং ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ৱান দে মেটচ অসিগী টোস য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা ওভর ৫০ শান্নবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৯৮ লৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর অনী অপুনবা স্কোর ২৬ য়ৌরকপদা আওট ওইখি। এলেক্স কারে রন ১৮ অমদি কেপ্টেন আরোন ফিন্স রন ৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৩শুবা বেটসমেন উসমান খাৱাজা অমদি ৪শুবা বেটসমেন সোন মার্সনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু শেমগৎলকখি।

উসমান খাৱাজা রন ২১ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা পিটর হেন্দকোম্ব রন ২০ লৌদুনা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াগী ৱিকেটকিপর ধোনিনা ষ্টম্পিং তৌদুনা আওট তাহনখি।

৬শুবা বেটসমেন মার্কস ষ্টোইনিসসু ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুদা রন ২৯ হাপচিল্লমখি। ৭শুবা বেটসমেন গ্লেন মেক্সৱেলসু ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুদা বোল ৩৭ মায়োক্লবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪৮ লৌরমখি। মরিশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা সোন মার্সনা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা বোল ১২৩ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ১১ য়ৈরগা রন ১৩১ লৌরম্বা অদুনা ইন্নিংস অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

ইন্দিয়াগ বোল্লর ভুবনেশ্বর কুমারনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমন ৪ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইখি। মোহমদ সামীসু ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ৩ আওট তাহনখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্লবগী রন ২৯৯ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ৫০শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা ৱিকেট ৪ খক আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা অনীশুবা ৱান দে মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৬ তা মায় পাক্তুনা সেরিজ ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম ফজরকখি। ওপনর সিখর ধৱন রন ৩২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর রোহিট শর্ম্মসু ৪৩ লৌরমখি। মতম অসিদা ইন্দিয়াগী অপুনবা রন ১০১ দা ৱিকেট অনী তুখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা বোল ১১২ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ১০৪ লৌরমদুনা ইন্দিয়ানা মেটচ অদু মায় পাকপগী লম্বেল য়াৎলমখি।

৪শুবা বেটসমেন অম্বাতি রায়ুদুসু ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা রন ২৪ হাপচিনবা ঙমখি। ৫শুবা বেটসমেন এমএস ধোনি অমদি ৬শুবা বেটসমেন দিনেস কার্থিকনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু লোইশিনবা ফাওবা শান্নদুনা মেটচ অদু মায় পাকহনবা ঙমখি।

এমএস ধোনি অমদি দিনেস কার্থিক মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ৫৫ অমদি ২৫ লৌরমখি।

## নম্বর ৱান সিদেদ জোকোভিস নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলসতা হালেপসু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



*মেলবর্ন, জনুৱারি ১৫ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপসু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা যুএসএগী মিটচেল ক্রুইগরবু ৬–৩, ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোই এলজাজ বেদেনিবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–১, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা মহাকসু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা পোলেন্দগী কামিল মাজচরজাককা লম্বা তৌনবদা সেট ২–২ থোইদুনা লৈখ্রবা মতুং দিসাইদিং সেট শান্নরকপদা নিসিকোরিনা ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈ পোলেন্দগী কামিল মাজচরজাক মশা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী জপানগী নিসিকোরি অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

১১শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী বোর্না কোরিকনা বেলজিয়মগী ষ্টিভ দার্সিসপু ৬–১, ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি। কানাদাগী মিলোস রাউনিকসু ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসপু ৬–৪, ৭–৬(৭–৪), ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ইষ্টোনিয়াগী কাইকা কানেপীবু ৬–৭(২–৭), ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী নাওমী ওসাকানা পোলেন্দগী মাগদা লিনেটেপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা অতোপ্পা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই কেরোলিনা মুচোভাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীরক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী লোরা সৈগমুন্দগী মখূত্তা ৭–৬(৭–৫), ৪–৬, ২–৬ তা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

যুএসএগী মেদিসন কিজ অমদি সেরেনা ৱিলিয়মসু মখোয়–মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মেদিসন কিজনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দেষ্টানি আইভাবু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা সেরেনা ৱিলিয়মসনা জর্মনিগী টাটজানা মারিয়াবু ষ্ট্রেট সেট ৬–০, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

## ষ্টেট লেবেল সবুংখোক কপ
## মঙাল এফএ(এ) অমদি অসোকুমার এফসি ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ

য়ুঠ এন্দ ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়র ক্লব সবুংখোকনা শীন্দুনা সবুংখোক প্লে গ্রাউন্দদা টিম ২১ না গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা থা অসিগী ৫ দগী চথরকপা ৪শুবা ষ্টেট লেবেল সবুংখোক কপ ২০১৯ (অন্দর ১৫) ৭–মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অসোকুমার এফসি য়াইঙং পোকপীনা সেক্তা এফসিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা অসোকুমার এফসিনা সেক্তা এফসিবু লাকশিন্না শান্নদুনা সেক্তা এফসিগী মাইকৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ত চথরকখি।

মদুগী মহৈ ফঙলদুনা অঙনবা মিনট ৮দা অসোকুমার এফসিগী জর্সি নম্বর ৮ অবোইনা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা ১–০ দা মাংজিল থাখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদু অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোইরমদাই ২৪ দা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২৩ বোইচানা গোল অমগা হাপচিনদুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোথরিবা সেক্তা এফসিনা গোল হন্দোক্লবা শান্নরবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মাইথিবা নঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মঙাল এফএ (এ) খাবমনা ৱাইএসদব্লিউসি (এ) সবুংখোকপু কিক ফোর্ম পেনাল্টি মার্কতা ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

৪শুবা ষ্টেট লেবেল সবুংখোক কপ ২০১৯ (অন্দর ১৫) ৭–মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২০দা অসোকুমার এফসি অমদি মঙাল এফএ (এ) শান্নরগনি।

## রোমা অমদি অটলান্টাবু কোপ্পা ইটালিয়া ফুটবোলগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*রোম, জনুৱারি ১৫ঃ*

ইটালিদা পাঙথোক্লিবা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোপ্পা ইটালিগী ৭২শুবা ইদিসনদা রোমা অমদি অটলান্টা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা রোমানা ভিরটস ইন্টেল্লাবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল অহানবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোই পেত্রিক স্কিকনা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা রোমাগী অতোপ্পা শান্নরোই ইভান মারকানোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–০ দা হেল্লগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৪৭শুবা মিনটতা রোমাগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা পেত্রিক স্কিকনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি। ৭৪শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোই জেভিয়র পেষ্টোরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪–০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

অটলান্টানা কাগলিয়ারিবু ২–০ দা থোইরমদুনা টিম অসিসু কোপ্পা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। টিম অনীমক মেটচ হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৮৮শুবা মিনটতা অটলান্টাগী শান্নরোই দুভান জাপাটানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। মেটচকী অরোইবা মিনটতা অটলান্টাগী অতোপ্পা শান্নরোই মারিও পাসালিকনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাকখি।


## PIS Brick Field (Mechanised)

(From time to time rate changeable)

BRICKSAMPLE

PIS

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

**Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539** (Sunday closed & Phone switch off)

Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

*SL/1198/Alt.50 days*


## লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোলদা এএসয়ু মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ*

চজিং ইনাৎ কনবা লূপ্না শীন্দুনা মমাঙ থাগী তাং ২৫ দগী টিম ১১ না গ্রুপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা চজিং কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ইন্টর ক্লব স্পোর্টস মিট ২০১৮–১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এনএসয়ু নরান কোনজিন মমাঙ লৈকাইনা ঐচএনএসসি হাওরৈবীবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ২০ টিঐচ সুরেসনা মিনট ১৯ দা চনখি। মেটচ অসিদা মায়থিরবা ঐচএনএসসিগী জর্সি নম্বর ১৩ এন শ্যামদা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়োল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা সিদব্লিয়ুসি চজিং মমাঙ লৈকাই মখা অমদি এলকেসিসি লংথবাল খৌপুম গোল ১–১ দা ড্রো চৎখ্রে।

এলকেসিসিগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ গোলমৈ ননাওবনা মিনট ২৬ তা চনখি অদুগা সিদব্লিয়ুসিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২ সাওলিননা থংনবা মিনট ২৭ তা চন্দুনা মেটচ অদু ১–১ দা ড্রো চৎখি।


### R.K. Ibungobi বু থাগৎচরি

মতম কুইনা নাদুনা লৈরম্বা ঐগী সাইনসকী অনাবা অদু SINIF Nityananda Rims Road তা লৈবা R.K. Ibungobi Khaka না লায়য়েংবিবদগী মপুং ফানা ফাবা ঙম্লে।

মসিগীদমক R.K. Ibungobi বু ঐহাক্না হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। মহাক্কী লায়য়েং লম্বীদা হেন্না চাওখৎলকপা পীনবীয়ু হায়নসু ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

হায়জরিবা ঃ
Oinam Chandramani Singh
S/o O. Jamana Singh
Khagempalli Pankha Ningom Leirak

*SL/4344/16*


### ক্রোসৱার্দ ৪৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| I | D | L | E | ■ | S | O | A | R | S | ■ | D | A | R | E |
| D | U | A | L | ■ | U | N | D | U | E | ■ | I | D | O | L |
| E | N | C | O | U | N | T | E | R | D | E | L | A | Y | S |
| A | C | E | ■ | V | S | O | P | ■ | A | V | E | R | S | E |
| L | E | D | G | E | ■ | ■ | T | O | T | E | M | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | E | A | S | T | ■ | P | E | R | M | I | T | S |
| D | O | N | T | S | P | A | R | E | ■ | T | A | B | O | O |
| U | K | E | ■ | ■ | A | S | A | N | A | ■ | ■ | I | M | P |
| P | R | E | P | S | ■ | T | H | E | H | O | R | S | E | S |
| E | A | R | A | C | H | E | ■ | R | A | V | E | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | R | E | A | D | Y | ■ | ■ | A | X | M | A | N |
| A | C | O | R | N | S | ■ | E | A | R | L | ■ | A | D | O |
| D | O | N | O | T | H | I | N | G | U | S | E | F | U | L |
| D | O | L | T | ■ | E | A | T | O | N | ■ | L | I | L | T |
| S | K | Y | S | ■ | S | N | A | G | S | ■ | F | A | T | E |